# লফোয় য়োনবী অমগী লুপা লিশিং ৪০ য়াওবা শেঙ্গাউ মুন্দুনা চেনখ্রে, এল এম জিনা লুপা ৪,০০০ তেংবাংখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা অৱা অনা তারবশিংদা তেংবাং পীবগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি অয়ুক শিংজমৈ বাজারদা লফোয় য়োনবী নুপী অমদগী নহা অমনা লফোয় লৈবা শাশিন্নরগা লুপা লিশিং ৪০ য়াওবা শেঙ্গাও অমা লাক্কুনা চেনখিবদগী অৱাফমদা তাহৌরবী নুপী অদুগী মফমদা এল এম জিনা চত্তুনা খুদক্কী ওইবা তেংবাং ওইনা লুপা ৪,০০০ মতেং পীখ্রে হায়না লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, শেঙ্গাউ লাক্কুনা চেনখিবদগী অৱাফমদা তাহৌরবী নুপী অদুগী মমিং শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দগী লৈশাংথেম ওংবী কমালা (৬৫), মপুরোইবা এল মোটিলাল কৌই। ঙসি অয়ুক শিংজমৈ বাজারদা মহাক্কা লফোয় য়োল্লিবা পোৎফম অদুদা নহা অমনা লফোয় লৈবা লাকপা শাশিন্নরগা কমালাগী লুপা ৪০,০০০ য়াওবা শেঙ্গাও অমা লাক্কুনা লৌবিখ্রে, মহাক মশাসু খঙহৌদ্রে হায়দুনা কপ্পা-কপ্পা পাউদম্বগী ভিদিও অমা উরুবদগী লাইক মান্দেদ গ্রুপ মণিপুরগী থৌমীশিংনা শিংজমৈ বাজারদা চৎতুনা খুদক্কী ওইবা তেংবাং ওইনা লুপা ৪,০০০ অদু মতেং পাংখিবনি।

ঙসিগী তেংবাং খোঙচৎ অদু এল এম জিগী এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা লুচিংখি অমদি গ্রুপকী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবম অমদি মেম্বর সলাম চাউবা লুৱাংসু শরুক য়াখি। ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী কৈথেল খুদিংমক হূরানবনা শৌ শারবনি। মরম অসিনা মনা-মশিং য়োনলিবা অমদি দুকান ফল্লিবশিংনা চেকশিনবিয়ু। দ্রগ এদিক্তনা শৌ শারবা লমদমনি। থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়াসু থোকলকখিবা য়াই। মমাঙদসু য়েঙ্গাং নাপী য়োনবী ইমা কয়াদগী নমথাক তৌদুনা চৎতবা শেল পীশিন্দুনা পোৎ-চৈ লৈখিবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## পূন্না শৌগৎমিন্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনদা কুম্বী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদা আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনা টিকেট তান্নরিবা ইথাইদগী নিংঙোম্বম ইবোহল মীতৈ অমদি নিংঙোম্বম ইবোবি অনীগী মনুংদা আই এন সীদা টিকেট ফংলকপা মীওই অদুদা পূন্না শৌগৎমিন্নবা হায়বগী মতাংদা ইথাই খুলগী মীয়াম্না পূন্না শরূক য়াদুনা ঙসি ইথাই খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কম্মিটি অমসু নৌনা শেমদুনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াবু থৌ পুনবগীদমক খনখ্রে।

ইথাই আই এন সী ইলেক্সন কেম্পেইন কম্মিটি, ইথাইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা, ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর ৱাংখেম সোভাশিং, সোরাম তোম্বা, করাম কোকিল অমসুং সোরোখাইবম কুমার মৈতৈনচিংবনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাক্কদবা ইলেক্সন অসিদা ইথাইদগী টিকেট তান্নরিবা মীওই অনী হায়বদি এন ইবোহল অমদি এন ইবোবি অনীগী মনুংদগী টিকেট ফংলকপা মীওই অদুদা ইথাই খুলগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা শৌগৎনবা য়ানখি। লোয়ননা টিকেট ফংলবা কেন্দিদেট অদুদা ইথাইগী মীপুম খুদিংমক্কা অমদি কম্মিটিগী থৌমীশিংনা পূন্না থৱায় হকচাং য়াওনা ইলেক্সন মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নবা হায়বা ৱারেপসু মীয়ামদা পাথোক্তুনা অমত্তা ওইনা য়ানরে হায়না খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। মীফম অদুদা ইথাই খুলগী য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা খুলগী মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## কলমগী লোইনসিল্লোন মনা ২০২১ ফংগদবা মীওইশিং লাউথোক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : কংলৈপাক লোইনসিল্লোন অপূনবা মরুপ (কলম)গী ২০শুবা মপোককুমওন থৌরম ফেব্রুৱারী ২০দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা লমদম অসিগী লোইনসিল্লোনবু পুক্রিং থৌগৎতুনা কলমনা পীগদবা মনাশিং অমদি মনাশিং অদুবু ফংগদৌরিবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোরক্লি।

কলমগী জেনরেল সেক্রেটরি জমুনা ময়েংবমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নুমিৎ অসিদা কলমনা মনা লাম্বোক্কদৌরিবশিং অদুদি, শৈরেং লাইরিক্তা পীবা 'অহানবা য়ুম্নাম ইবোবি নীংশিং লোইনসিল্লোন মনা ২০২১'গী ওইনা ময়াং ইম্ফালদগী অসেম মেমচানা ইবা শৈরেং লাইরিক 'ফিজিগী মৈরি' দা পীগনি। ৱারী মচাগী লাইরিক্তা পীবা 'অহানবা সগোলশেম তরুনি লৈমা নীংশিং লোইনসিল্লোন মনা ২০২১'গী ওইনা পাটসোয় পার্ট ১দগী ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা ইবা 'নীংথাগী লমন'দা পীগনি। ৱারেং লাইরিক্তা পীবা 'অনীরক শুবা হাওবম সনাজাওবা (হাওবা) নীংশিং লোয়নসিল্লোন মনা ২০২১' গী ওইনা ককচিংদগী ডা. ক্ষেত্রিময়ুম সান্তা সিংহনা ইবা 'অঙনবা খুন্নাইদা নুপীগী শক্তম'দা পীগনি। 'অহানবা থিয়াম ইনাওমচা নীংশিং লোয়নসিল্লোন থৌগল মনা ২০২১'না খোংজে ামদগী মুতুম মণিতোন (ঙানবা)দা পীগনি হায়রি।

লোয়ননা 'হোৎনজমন মনা ২০২১'গী ওইনা পীগদবা মনাশিংদি- অমাইবা, লাই হরাওবগী ওইনা শগোলতোংবদগী চোংথাম মংলেম মীতৈদা পীগনি, অমাইবী, লাই হরাওবগী ওইনা থৌবাল হাওখাদগী এলাংবম ইশৈহনবীদা পীগনি, ইৰাৎ পিবাগী ওইনা তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী কোলোম অচৌবীদা অমদি লাইরিক থীবা-হায়বগী ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ইথাইদগী অথোকপম বিরবাবুদা পীগনি হায়না কংলৈপাক লোইনসিল্লোন অপূনবা মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## আই ও টি অমসুং রোবোটিক্সকী সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : ক্যুবটেন টেক্নোলোজিজনা ইন্নোভেসন হব মণিপুর অমসুং নৈলিটকা পুন্না খুৎশম্নদুনা ইন্টরর্নেট ওফ থিংস (আই ও টি) অমসুং রোবোটিক্সকী মতাংদা সর্টিফিকেট কোর্স অমা অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না ক্যুবটেন টেক্নোলোজিজ প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর হাওবম জেয়রেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা কোর্স অসি নৈলিটনা পাঙথোক্কদবনি অমদি মসিগীদমক কোর্স ফী অমত্তা লৌরোই। অদুমওইনমক, বেটচ অমদা লৌগদবা মহৈরোয়গী মশিংদি ২০ খক্তমক ওইগনি। বি ঈ, বি টেক, বি সী এ, বি এস সী, নৈলিট 'এ' লেভেল, ক্লাস ত্বেল্ভ তন্লিবা নৎত্রগা পাস তৌরবা অমদি হায়র এদ্যুকেসনদা কম্প্যুটর লৌবা মহৈরোয়শিংনা কোর্স অসিগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

কোর্স অসিদা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবা অমদি এক্সপরিয়েন্সকীদমক লাইব প্রোজেক্ট য়াওগনি। কোর্স অসি ওনলাইন অমসুং ওফলাইন অনীমক্তা পূন্না তৌগনি। কোর্স অসিবু তম্নিংবা মহৈরোয়শিংনা কন্টেক্ট নম্বর ১৮০০৪১৯১৩৮৩দগী অকূপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি নৎত্রগা www.tinyurl.com/CCIoT দা রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি হায়নসু ক্যুবটেনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নৌনা চঙলকপা মীওইশিং খুমন্থেম লখিকুমারনা ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা খুমন্থেম লখিকুমার (লময়ানবা ইপু)বু শৌগৎতুনা নহা ওইরিবা নুপামচা অমসুং নুপীমচা ভোটর ৪০ অমসুং অহল ৫ চঙলকপদা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি কেন্দিদেট অসিগী পোং লম্বী টোপ অৱাং লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

নৌনা চঙলকপা মীওইশিংবু ওকপগী থৌরম অসিদা লময়ানবা ইপুনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ঐবু থাজবা থম্বীদুনা ঐঙোন্দা নহা ৪০না চঙলকপদা নুংঙাইবা ফেঙদোকচবা ওইনা ওকপগী থৌরম অসি পাঙথোকচবনি। নহাশিংগী থাজবশিং অসি মাঙহন্দনা অমসুং ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদা লৈরিবা খুলশিং অসিগী চাওখৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগা তান্নজরগা থবক খুদিংমক পাঙথোকচগনি হায়খি।

নৌনা চঙলকপশিং ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কোংপাল খাইদেম লৈকায়দগী পুস্পা খাইদেমনা হায়খিবদা, ইপুনা ঙসি ফাওবদা য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনবদা অমদি ইনাৎ লাইনিং কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা অসিদগী অহেনবা থৌদাং কয়া অমা লৌবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

## এক্সাইজ থৌবালনা য়াল্লবা য়ুঙাঙ অমদি য়ুঙৌশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা পামদবা থৌদোক-ৱাথোক থোকহন্দনবগী পান্দমদা ঈ সী আইনা পীরকপা অকনবা পাউতাক অমগী মতুংইন্না কম্মিস্নর এক্সাইজগী অয়াবা অমগা লোয়ননা ইনফোর্সমেন্ট টিম এক্সাইজ অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নোদল ওফিসর য়াওনা চত্থবা দ্রাইভ অমদা ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা খোংজোম বাজারদগী য়াল্লবা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এক্সাইজগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নোদল ওফিসর পি রঞ্জিৎ সিংহনা থাদোরাকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না, ঙসি ফাগৎলকখিবা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌশিং অদু মার্কেট ভেল্যুদা লুপা ২১,০০০ রোমগী ওইগনি। য়ু য়োল্লম্বা মীওইশিং অদুবু কম্মিস্নর এক্সাইজদা ফাইন থীহল্লবা মতুংদা য়ুশিং অদু কম্মিস্নর এক্সাইজগী অয়াবা অমগা লোয়ননা মাঙহনখ্রগনি। ময়াই কাবা পোৎলমশিংবু মরু ফংনা মাঙহন্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লক্লিবা ইনফোর্সমেন্ট টিম এক্সাইজগী টিম লিদর ইনস্পেক্টর এস নিলকুমার সিংহ অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নোদল ওফিসর পি রঞ্জিৎ অনীনা মীয়ামদা অসিগুম্বা ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়োনবগী থৌওং অসি তৌবিদনবা অপীল তৌরকপগা লোয়ননা মখা তাবা দ্রাইভশিংদসু মীয়াম্না কোওপরেসন পীবিয়ু হায়রক্লি।

## মণিপুর ষ্টেটহুদ দে চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কনি : সী পি আই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুরনা মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবা চহী ৫০ চঙলকপগা মরী লৈননা এম এম সী, সী পি আইনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২১দগী হৌনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২১ ফাওবা চহী অমা চুপ্পা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী, সী পি আই)গী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মনীং মখা তম্না চহী ২০০০ রোম মরোমদোম লৈঙাকচরম্বা মণিপুরবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফিবান্নুংদা নম্ফুদা তিলহনখিবগা য়াম্না হন্থবা থাক্তা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা থল্লকপদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অন্দরগ্রাউন্দগী শাফোঙলকখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মণিপুরবু মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হনবা লৈতনা থেংনদুনা লাকপদগী য়ুনিয়ন টেরিটরি অমগী থাক্তা পুখৎপিখি। মদুমক হনবা লৈতনা থেংনরকখিবদুগী চাউরবা মায় পাকপা অমা ওইরবসু পার্টিনা অতৈ ষ্টেটশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবা ঙম্নবা মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা মখল কয়াগী দিমোক্রেটিক ওইবা ইহৌ খোঙজংশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপদগী মরাল লৈতবা কম্যুনিষ্ট লুচিংবা কয়া য়াওনা মশিং য়াম্লবা ৱার্করশিংবু তাল্লবা পল্লেল জেলদা ফাজিন্দুনা থমখ্রবসু মখা তাবা হেন্না কনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপদগী ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরবু মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা ওইহনখিবনি হায়বসি হৌজিক্কী মীরোলনা কাউনদ্রি।

ষ্টেটহুদ তানবগী খোঙজংদা মপুঙ ওইবা থৌদাং মায়পুনখিবা কম্যুনিষ্টি লুচিংবা কয়া মখোয়না পামজখিবা ষ্টেট অমা ওইবগী মহাও ফংবা ঙমদনা লৈখিদবা মশিং য়াম্লে। মখোয়না পামখিবা অনৌবা মণিপুর অমগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা ষ্টেট অসিদা স্পেসল ষ্টেটস কেটগোরি অমুক হন্না পীনবা অমদি অখন্নবা ইকোনোমিক পেকেজ শিং লাউথোকহন্নবা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা থেংনখিগনি। অসিগুম্না ৱানা ফংলকখিবা ষ্টেটহুদ দে অসি কোভিদ-১৯গী য়েংলগা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না ৫০শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে থৌরম অসি ইরাবত ভবন, ইম্ফালদা চম্না পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## মপোক কুমওন পাঙথোকপগা লোয়ননা লাইরিক ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালগী ২৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা হাওখা সোরারেল মনাক্তা লৈবা লিসম ইবোচৌগী য়ূমদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা অইবা অনীগী লাইরিক অনীসু হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙখ্রে।

মণিপুর সাহিত্য সমিটি, থৌবালনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা চীং লেম্লবা থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লীগী মণিপুর লোলগী এদভাইজরি বোর্দকী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবালগী প্রসিদেন্ট ৱিং কম্মান্দর অকোইজম দেবেন্দ্রোনা থৌরম মপু অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশাগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাজেন্দ্রনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরূক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ২৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম অদুগী মনুং চন্না ফোঙখিবা লাইরিক অনী অদুদি লিসম ইবোচৌনা ইবা 'ওজা অমা ওইনা থেংনজরকপা অমসুং ফোঙদোকচখিবশিং' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমগা গুলশন নন্দনা হিন্দি লোলদা ইবা 'এ্যর হোষ্টেস' হায়না মিংথোনবা ৱারী লীশাংগী লাইরিক অদুদগী হয়েদ বৌমেলনা ইংলিস লোলদা হন্দোক্লবা মতুং ডা. খারিবম মৈনোদাশনা মীতৈলোনদা হন্দোকপা লাইরিক অমগনি।

লিসম ইবোচৌনা ইবা 'ওজা অমা ওইনা থেংনজরকপা অমসুং ফোঙদোকচখিবশিং' হায়রিবা লাইরিক অদু অইবা অসিগী ৬শুবা লাইরিকনি। লাইরিক অসি অইবা অসিনা ইম্ফালদা ফোঙবা তোঙান তোঙানবা পাউ-চেশিংদা হাপখিবা মণিপুরগী মহৈ মশিন তম্বগী চৎনরিবা মওং মতৌশিংদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারেং (আর্টিকল)শিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অদুগা ৱারী লীশাং 'এ্যর হোষ্টেস'কী হন্দোক্লোই ডা. খারিবম মৈনোদাশ মমাঙদা লাইরিক অনী অমসু হন্না ফোঙদুনা মণিপুরী খোরিরোলগী পুক্কৈদা খুদোল তমখ্রবা অইবা অমনি।

'ওজা অমা ওইনা থেংনজরকপা অমসুং ফোঙদোকচখিবশিং' লাইরিক অসিবু ডা. থৌনাওজম খোমদোননা মশক তাকখি অদুগা 'এ্যর হোষ্টেস' হায়রিবা লাইরিক অসিনা ডা. লোংজম অনন্দনা মশক তাকখি।

খোরিরোলবু পামজবা মীওই কয়ানা শরূক য়াখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর সাহিত্য সমিটি, থৌবালগী জোইন্ট সেক্রেটরি লৌক্রাকপম শ্যামনা মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা সমিতি অসিনা পায়খৎখিবা থবক থৌরম কয়া শুগাইনা থমখি। শরূক য়াখিবা মীয়াম্বু সমিতিগী এগজিক্যুটিব মেম্বর ওক্রম ব্রজমোহোননা থাগৎ ৱাহৈ থম্বগা লোয়ননা থৌরম অদু লোইশিনখি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) : নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চত্থগদবা 'অপ স্কিল্লিং প্রোগ্রাম ওন ব্যুটি থেরাপিষ্ট' হায়না মিংথোনবা স্কিল দিভেলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ ওন্ট্রপ্রনরশিপ (আই আই ঈ) গুৱাহাটিগী বিজিনেস ইনক্যুবেসন সেন্টরসু ওইরিবা ৱাইল্ড ফোরেষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ স্কিল দিভেলপমেন্ট (ৱাইফাই এস দি)গী খুরাই লাইৱাংবদা লৈবা কেম্পসতা ঙসি হৌদোকখ্রে হায়না ইনষ্টিট্যুট অসিগী প্রোপ্রাইটর করাম অশিনিকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নেসনল বেকৱার্দ ক্লাসেস ফাইনান্স এন্দ দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন বি সী এফ দি সী), ন্যু দিল্লীনা স্পোন্সর তৌবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি আই আই ঈ গুৱাহাটি অমসুং ৱাইফাই এস দিনা পূন্না খুৎশম্নদুনা শিনবনি। প্রোগ্রাম অসি সেলেক্সন কম্মিটি মিটিং ফমদুনা কেন্দিদেট ৫০ খনখীবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লৌশিং পুক্কৈ

# অয়ুরবেদগী মতুংইন্না

## হকচাংগী ইম্যুন ফগৎহন্নবগীদমক তৌবা য়াবা পাম্বৈ খরা



### ইনফেক্সিয়স

দিজিজশিংদগী ঙাকথোক্নবগীদমক ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না থম্বা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। ইশাগী ইম্যুন সিষ্টেমবু মপাঙ্গল কন্না থম্বা হায়বসি কোভিদকী কেস মশিং অমুক হন্না ৱাংখৎপা হৌরক্লিবা হৌজিক্কী মতম অসিদনা অমুক্কা হেন্না তঙাইফদবা ওইরক্লে। মহৌশাগী ওইবা দিফেন্স সিষ্টেম অমা ওইনা মথৌ তৌরিবা ঐখোয়গী ইম্যুন সিষ্টেম অসিনা ঐখোয়বু লায়না তিলনাশিং পোকহনবা ঙম্বা মহীক-মতাংশিংদগী ঙাকথোক্তুনা ভাইরেল দিজিজ য়াওনা ইনফেক্সনশিং থোকহনবগী রিস্ক হন্থহল্লি। তশেংনা ইম্যুনিটি ফগৎহনবা হায়বসি নুমিদাং অমদা হেক্তমক ফংবা য়াবা থবক অমা নত্তে, অদুবু ঐখোয়বু লায়না তিলনাশিংদগী ঙাকথোক্লিবা ইশাবু কোয়শিল্লিবা প্রোটেক্টিভ লেয়র অসিবু হেনগৎহনবদা মতেং পাংনবগীদমক ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবক থৌরাং খরদি লৈ। অয়ুরবেদগী মতুংইন্না ইশাগী ইম্যুনবু ফগৎহনবদা মতেং পাংদুনা হকচাং ফনা থম্বদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াবা পাম্বৈ খরা মখাদা পীরি।

**গোল্ডন মিল্ক**

য়াইঙং পাউদর নৎত্রগা য়াইঙং মনাওগা য়ানশিন্নদুনা লোম্থোক্লবা শঙ্গোম কপ অমনা মীওই অমবু তূম্বা নুংঙাইহনবদা মতেং পাংবতা নত্তনা ইম্যুনিটিগীদমক্তসু অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংই। হায়রিবা পোৎলম অসি নুমিদাং খুদিংগী ফমুং চঙলমদাইদা থকপনা চোকথবা হন্থহল্লি, খৌনাউ মরেং-মরেং চৎপা ইংথহল্লি অমদি ইনফেক্সন থোকহনবা ঙম্বা মহীক-মতাংশিংবু হাৎতোকপা ঙম্মী। য়াইঙংদা ইনফ্লেমেসনদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা অমদি ব্রেন সেলশিংগী গ্রোথপু প্রোমোট তৌবা ঙম্বা অকনবা এন্টিওক্সিদেন্ট প্রোপর্টিশিং য়াওই। শঙ্গোম এম এল ১৫০দা য়াইঙং মকুপ (পাউদর) চামচ তঙ্খায় অমখক নৎত্রগা য়াইঙং মনাও ইঞ্চি মখায় অমতং হাপ্পগা শৌহল্লগা হেক্তা থকপা য়ারে।

**নাসিয়া থেরাপি**

নাসিয়া থেরাপি হায়বসি ইনফেক্সন থোকহনবা ভাইরসশিং অমসুং ভেক্টিরিয়াশিং চঙলকপা থিংনবগীদমক নাতোন মখুল অনীদা ঘী, সিসেম ওইল, নৎত্রগা য়ুবী থাউগী মরীক (দ্রোপ) খরা হাপচিনবগী ইচম চম্বা টেক্নিক অমনি। হায়রিবা থেরাপি অসি নাতোন ফুনবা ফনবগীদমক য়াম্না পাক শন্না সজেষ্ট তৌবা থেরাপি অমনি। থাউ হাপ্পগী খ্বাইদগী ফবা মতমদি য়ূমদগী মপান চথোক্লমদাই নৎত্রগা ইরুজরমদাইদনি। নাতোন মখূলদা মরীক অনীখক থাদগদবনি অদুগা মিনিট খরখক হীপ্তুনা লৈরগা য়ারে।

**অশাবা ঈশিংগা লোয়ননা চ্যাৱনপ্রাশ**

নিংথমথাগী মতমশিংদনা ইনফেক্সনগী রিস্ক অসি খ্বাইদগী হেন্না ৱাংই অমদি মসিগী খুদোংচাদবা অসি কোভিদকী কেসসিং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা শরুক অনী ওইরক্লে। নিংথমগী মতম অসিদা ইম্যুনিটি ফগৎহন্নবগীদমক চ্যাৱনপ্রাশপু ঈশিং অশাবগা লোয়ননা থকপদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা অমতা লৈরমদবা য়াই। চ্যাৱনপ্রাশ অসি হকচাংবু নুংদগী শাহল্লগা থম্বা অমদি ইনফেক্সনগী রিস্ক হন্থহনবা তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী হর্বশিং অমসুং পান্বী মরাশিংগা লোয়ননা শেম্বনি। মীওই অমনা চ্যাৱনপ্রাশপু নুমিদাংগী মতমদা গোল্ডন মিল্ককা নৎত্রগা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংগা লোয়ননা থকপা য়াই। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং কপ অমদা চ্যাৱনপ্রাশ চামচ অচৌবা অমগা য়ানশিন্নরগা নোংমগী অনীরক্তগীনা অহুল্লক ফাওবা থকপা য়াই।

**প্রনায়ামা**

কোল্ড, ফ্লু অমদি কোভিদনা অপ্পর রেস্পিরেটরি সিষ্টেমদা ইনফেক্সন তৌহল্লি। হায়রিবা লায়নাশিং অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরস অদুনা লংসতা লান্দাদুনা ইনফেক্সন তৌহল্লকই। নিংথমগী মতম অসিদা ইশাগী রেস্পিরেটরি সিষ্টেমবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক প্রনায়ামা প্রেক্টিস তৌবনা খ্বাইদগী ফৈ হায়বসি নীংশিংগদবনি। কাপালভাতি অমসুং ভাষ্ট্রিকা হায়রিবা নীংশা শাজেল অনী অসি ইশাগী লংসপু শেংদোক্লবা অমদি ইম্যুন সিষ্টেমবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক তৌবা য়াবশিংনি। কনাগুম্বা রেস্পিরেটরি সিষ্টেমগা মরী লৈনবা অনাবা লৈবা নৎত্রগা দাইজেষ্টিভ ইস্যু লৈবা মীওই ওইরগদি নাদি শোধনা তৌবনা খ্বাইদগী ফৈ।

**হর্বেল টি**

ঐখোয়না থক্লরিবা ইচম চম্বা চা অমদি কোফিগী মহুত্তা ঐখোয়গী চাকখুমদা লৈবা হর্বশিং অমসুং স্পাইসশিংদগী শেম্বা হর্বেল টি ওইনা শীজিন্নবা য়াই। হর্ব অমসুং স্পাইসশিং অসি এন্টি-ইনফ্লেমেটরি অমসুং এন্টিওক্সিদেন্ট প্রোপর্টিশিংনা পীক থন্না য়াওই। মখোয় অসিনা ইম্যুন সিষ্টেম ফগৎহনবা ঙম্মী, ইনফ্লেমেসন হন্থহল্লি অমদি কোল্ড অমসুং ফ্লুদগী ঙাকথোকপা ঙমই। নোংমগী টুলসি, লোং, শিং, ইলাইচি অমদি অতোপ্পা হর্বশিং অমসুং স্পাইসশিংনা শেম্বা চা কপ অনী থকপনা ইশাগী ইম্যুন হেল্থ ফগৎহন্নবগীদমক্ততি চপ চাজরে।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০১।২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা;
ৱাকচিংগী ১৬নি পানবা।

**মেষ:** লন চঙবা, মীয়ামগী মতেং ফংবা, ইমুং-মনুং লোয়নবা কান্নবা ফংবা নুমীৎনি। ঙাংবা-শকপা, শিল-লাংবা হৈগনি। য়েক্লবা ঙমগনি অদুবু নরলদা মীতাবা লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** য়েক্লবা মাঙখিনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, লাইবক ফবনা অফবা মফমসু কনবা ঙমগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, মীয়াম্না লোয়নবা পামগনি। মরুপ-মপাংনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** ঈংথনা চৎপা, নাইতোম ৱা তুপতবা, হোয়া ফদবা অমদি অনম তান্দবনা মায়থিবা য়াবদৈ কঞ্জগনি। মরুপকা পাঙমিন্নবা থবক্তি মায় পাক্কনি -থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** হরাওবা, নীংবা মপা চাবা, খূৎ চাওবগী কান্নবা ফংবা, ৱাখল থোকপা নুমীৎনি। পাঙঙমদবা থবক পাঙবা অমদি নচা-ননাই চাওখৎপসু লৈ। ৱা ঙাংবদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**সিংহ:** চরাংনরদি চাদিং হেনগনি,অনৌবা আশানা থৌ পাংবা কায়নবা নংগনি। মীতোপ্পা থবক্তা খূৎ থিংজিল্লক্কনি-পংথগনু। অদুবু অচূম্বনা মায় পাক্কনি, য়েৎনরম্বা ফরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কান্নবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** নীংবা থুংগনি, ললোন ইতিক্তা কান্নগনি, লেংদবা লন চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈ, নথক থোংবনা চানবীগনি। নাপল তৌরবদি অচানবা কায়ননি-নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** থবক পাঙগনি, থৌনা লৈবনা হেন্না ফবা মফম কনগনি-কিগনু। খূদক্তা নাইতোম ৱারেপ্তি লৌগনু। ফংবা য়াবা পনবৈ নুংঙাইরোই-অনম তান্দ্রদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** ঙসিসু ঈকাই খুম্নবা ফংগনি, ঙাং-শকপা হৈগনি,অফা-অপুন্নবা কোকচগনি। য়ারগদি মরুপ-মপাং লোয়নরগা থৌ পাঙউ অশাওবনা মাঙজগনি-অচম্বা চাও।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** ৱাখল খরা লাংগনি, য়েক্লবদি মাঙখিনি অদুবু পূক্নিং ৱাবদি হন্দে। পাউদি নুংঙাই-নুংঙাইবা তাগনি, অনৌবা থৌরমদা শেল থাদবা য়াগনি। ঙক্তি কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংজবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংজবা নুমীৎনি। নোল্লুকপা হৈত্রদি কোক শাবা লৈগনি অমদি মীয়ামগা মরী ফরোই -ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**কুম্ভ:** মায় পাক্কনি, থৌনা ফূদোকপনা ঙসিসু হেন্না কান্নবা ফংগনি, হৈশিংবনা অফবা মীংচৎ ফংগনি অমদি নহৈ/নচা-ননাইগী লম্দা পূক্নিং পেঞ্জবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** পাঙনিংবা থবক অখঙ-অহৈ তান্নদ্রদি পাঙলোই,পূক্নিং নুংঙাইরোই, হোয়া ফবসু মতম মাঙগনি। অরং-অরাক, মরুপ-মপাং অমদি য়েৎনরম্বা লম্দদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।